Monday, September 5, 2022, Imphal

হুয়েইয়েন লানপাও
HUEIYEN LANPAO

# টর্কিজ জেটশিংদা হরাসমেন্ট পীবগীদমক ইর্দোগাননা গ্রিসতা ৱার্নিং তৌখ্রে

অঙ্করা, সেপ্টেম্বর ৪ (এজেন্সী):
হন্দক্তা এজিয়ন অমসুং ইষ্টর্ন মেদিটরিনিয়নদা টর্কিজ ফাইটর জেটশিংদা 'হরাসমেন্ট' পীখি হায়রদুনা টর্কিগী প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়িব ইর্দোগাননা গ্রিসতা ৱার্নিং তৌখ্রে।



ব্লেক সীগী সামসুন প্রোভিন্সতা পাঙথোকখিবা এরো স্পেস এন্দ টেক্নোলোজি ফেষ্টিবেল টেক্নো ফেজতা ৱা ঙাঙলদুনা ইর্দোগাননা হায়খি, মদুদি গ্রিসনা পুৱারীবু হঙ্গৎনা য়েংদুনা ইষ্টমিরবু কাউরোইদবনি। টর্কিজ প্রসিদেন্টনা ৱাফম অসি কুমজা ১৯২২ দা লৈবাক অসিগী নিংতম লান মনুংদা গ্রিক আর্মিনা টর্কিগী নোংচুপ থংবা প্রোভিন্স ইষ্টমিরদগী ৱিদ্রো তৌখিবগী থৌদোক্তা রিফরেন্স পীরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

ইর্দোগাননা মখা তানা হায়খি, মদুদি ঈথৎশিং অদুবু পায়শিন্দুনা থন্বা অসিনা ঐখোয়বুসু খুদুম চনবা নত্তে। মতম লাক্লবা মতমদা ঐখোয়না মথৌ তাবা খুদিংমক পাঙথোক্কনি। অদুগুম্বা মতম অদু অহিং অমদা হেক্তা খঙহৌদনা লাকপা য়াই। টর্কিনা হন্দক্তা গ্রিসপু এজিয়ন অমসুং মেদিটরিনিয়নদা নাটোগী মিশন পাঙথোকখিবা টর্কিজ জেটশিং অনীরক হরাসমেন্ট পীখি হায়না মরাল শীখিবনি।

অঙ্করানা হায়খি, মদুদি গ্রিক্কী ৱারপ্লেনশিংনা টর্কিজ এফ-১৬ প্লেনশিং ওগষ্ট ২২ অমসুং ২৪ দা ট্রেক্কিং তৌখি।

পনবা য়াবদি, নাটোগী মীচং লৈবাক অনী অসি এজিয়ন অমসুং মেদিটরিনিয়নদা মেরিটাইম অমসুং ইনর্জিগী য়েৎনবা য়াওনা মতম শাংনা ইস্যু কয়াগী মতাংদা মুক্নদুনা লাকখিবনি। মখোয়গী য়ান্নদবা ৱাফমশিং অদুগী দিপ্লোমেটিক সোল্যুসন অমা পুরক্নবা লৈবাক অনীনা কুমজা ২০২১ দা ৱারী শান্নবা হৌখি। অসুম্না ৱারী শান্নবা অসি চহী মঙা লেপ্লুরবা মতুংদা অমুক মখা চখ্খিবনি।

নাটোগী সেক্রেটরি জেনরেল জেন ষ্টোলটনবর্কনসু টর্কি অমসুং গ্রিসকী মরক্তা মিলিটরি মশেলগী ওইবা কনফ্লিক্ট লেপহন্নবগী মেকানিজম অমা হৌদোকখি। তৌইগুম্বসুং মেকানিজম অদুগা মরী লৈননা মরিশুবা রাউন্দগী মীফম পাঙথোকখ্রবা মতুংদা মখা তাবা মীফম পাঙথোক্তনা লাক্লি।

অমরোমদা, প্রসিদেন্ট ইর্দোগাননা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগা ফোনদা ৱারী শান্নদুনা বাই লেটরেল মরী অমসুং য়ুক্রেনগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে।

ৱারী শান্নবা অদুদা লুচিংবা অনীনা লৈবাক অনীগী মরক্তা ইনর্জি সেক্তরদা জোইন্ট ষ্ট্রেটেজিক প্রোজেক্টশিং প্রমোট তৌবা য়াওনা লল্লোন ইতিক অমসুং শেল থুমগী মরী হেন্না পাকথোক চাওথোকহন্নবগী থবকশিং পায়খৎমিন্নবগী ৱাফম নৌহৌননা য়ান্নখি হায়না লৈবাক অনীগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসলশিং অদুগী মতুং ইন্না ইর্দোগান অমসুং পুটিননা য়ুক্রেনদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগা লোয়নননা টর্কিজ প্রসিদেন্ট অসিনা জাপোরিজিয়া ন্যুক্লিযর প্লান্টদা ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনর্জিগী মিশন অমা লৈহনবদা লৌখিবা থৌদাংবু থাগৎখি।

# ঈচাওগী ভিক্তিমশিংদা মতেং পীরকপগীদমক চাইনাবু থাগৎখ্রে

ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ২ (এজেন্সী):
পাকিষ্টানগী ঈশিং ঈচাওগী ভিক্তিমশিংগীদমক তেঙবাংগী পোৎলমশিং পীরকপগীদমক লৈবাক অসিগী ফোরেন মিনিষ্টর বিলাৱল ভুটো জর্দারিনা চাইনাবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

ফোরেন মিনিষ্টর অসিনা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা ত্বিটর পোষ্টকী খুথাংদা চাইনাবু থাগৎলদুনা পাকিষ্টানগী ঈচাওগী ভিক্তিমশিংগীদমক য়ুৱান মিলিয়ন ৩০০ (য়ুএস দোল্লর মিলিয়ন ৪৩.৫) লোমগী অহেনবা রিলিফ এসিষ্টেন্স পীরকপগীদমক্তা চাইনিজ লিদরশিপবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি হায়খি।

পাকিষ্টানদা কুমগী অকনবা নোংনা পাক্তক্লনা ঈশিং ঈচাও থোকহনবা হৌখিবদগী চাইনিজ গভর্ণমেন্ট অমসুং কম্পেনিশিংনা পাকিষ্টানদা রিলিফ এসিষ্টেন্স পীদুনা লাক্লি।

নোংজু থা অসিদা পাকিষ্টানদা ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইদুনা শিখিবা মী মশিং হৌখিবা জুনগী ময়াই থংবা শরুক্তগী হৌজিক ফাওবা ১২৯০ হেল্লে অমদি মীওই ১২,৫৮০ হেন্না অশোক অপন নঙলে হায়না ফোরেন মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

# জাপোরিজিয়া ন্যুক্লিয়র প্লান্ট অমুক হন্না মপানগী পৱার লাইনগা শম্নখিদ্রে: আই এ ই এ

ভিএনা, সেপ্টেম্বর ৪ (এজেন্সী):
ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সি (আই এ ই এ) না হায়খ্রে, মদুদি য়ুক্রেনগী জাপোরিজিয়া ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট অমুক হন্না মসিগী অমত্তা ঙাইহৌরবা মপানগী মরু ওইবা এক্সটর্নেল পৱার লাইনগা শম্নখিদ্রে। তৌইগুম্বসুং ফেসিলিটি অদুনা রিজার্ব লাইনগী খুথাংদা মখা তানা গ্রিদতা ইলেক্ট্রিসিটি সপ্লাই তৌরি।



জাপোরিজিয়া প্লান্টদা লৈরিবা এজেন্সি অসিগী এক্সপার্টশিংদা য়ুক্রেনিয়ন ষ্টাফনা থাংজ নুমিত্তা হায়খি, মদুদি ফেসিলিটি অদুগী মরিশুবা ওইরিবা অমত্তা ঙাইরবা মপানগী লাইন অদু মথৌ তৌদুনা লৈরম্বনি। তৌইগুম্বসুং কিলোভোল্ট ৭৫০ গী পৱার লাইন অদু মথৌ লেপখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদসু প্লান্ট অদুদা সেল এটেক কন্না চখ্রিঙৈ মনুংদা মান্নবা মওংদা মপানগী লাইনগা শম্নখিদবনি। আই এ ই এগী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না রসিয়া-য়ুক্রেন কনফ্লিক্ট মনুংদা মপানগী মরু ওইবা পৱার লাইন অহুম মমাঙদা কন্নেক্সন মাঙখি।

প্লান্ট অদুনা হৌজিক মপানগী গ্রিদতা ইলেক্ট্রিসিটি পীবগী থবক অদু অনকপা থর্মেল পৱার প্লান্ট অমগা শম্নহল্লিবা রিজার্ব লাইনগী মতেংনা পাঙথোক্লি। রিজার্ব লাইন অদুনা করিগুম্বা মথৌ তারবদি প্লান্ট অদুদা বেকঅপ পৱার পীবা ঙম্মী। জাপোরিজিয়া প্লান্টকী রিএক্তর তরুক্কী মনুংদা শুপ্পগী অমত্তমক মথৌ তৌরি হায়নসু আই এ ই এনা ফোঙদোকখি।

আই এ ই এগী দিরেক্তর জেনরেল রাফেল গ্রোসিনা ইরাই নুমিত্তা হায়খি, মদুদি এজেন্সি অদুগী এক্সপার্ট মিশনগী মেম্বর তরুক জাপোরিজিয়া প্লান্টতা মখা তানা লৈরি। মখোয়গী মনুংদা মেম্বর মরিদি মথং চয়োলদা প্লান্ট অদু থাদোকখ্রগনি অমসুং অতোপ্পা মেম্বর অনী অদুনা মখা তানা প্লান্ট অদুদা লৈদুনা এজেন্সি অসিগী তুঙ কোইনা প্লান্ট অদুবু য়েংশিনবগী মিশন পাঙথোক্কনি।

আই এ ই এগী মতুং ইন্না এক্সপার্টশিং অদুনা প্লান্ট অদুগী ফেসিলিটিশিং কয়া য়াম্না ফিজিকেল দেমেজ থোক্লবগে হায়বদু খঙদোক্লবা হোৎনবগা লোয়নননা মেইন অমসুং বেক অপ সেফতি অমসুং সেক্যুরিটি সিষ্টেমশিং করম্না মথৌ তৌরিবগে হায়বদুসু লেপথোক্কনি।

মসিদা নত্তনা মখোয়না ষ্টাফকী থবক শুবগী কন্দিসন অমদি সাইট অদুগী সেফ গার্দ এক্তিভিটিশিং পাঙথোকপদা মতেং পাঙগনি।

য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা জাপোরিজিয়া প্লান্ট অসি হৌখিবা মার্চকী অঙনবা শরুক্তগী রসিয়ন ফোর্সশিংনা কন্ট্রোল তৌরকখি। তৌইগুম্বসুং য়ুক্রেনিয়ন ষ্টাফনা প্লান্ট অদু মখা তানা ওপরেট তৌখি। হন্দক্তা ফেসিলিটি অদুদা চখ্খিবা সেল এটেকশিংগী মতাংদা য়ুক্রেন অমসুং রসিয়ানা অমনা অমবু মরাল শীন্নদুনা লাকখি।

# পাকিষ্টানগী লাইবক লেপকদৌরিবা এফ এ টি এফকী টিমগী ভিজিট লোইশিনখ্রে

ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ৪ (এজেন্সী):
ফাইনান্সিএল এক্সন টাস্ক ফোর্স (এফ এ টি এফ) কী মেম্বর ১৫ গী গ্রুপনা পাকিষ্টানদা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা পাঙথোকখিবা মরু ওইবা খোঙচৎ অমা ইংনা তপ্পা লোইশিনখ্রে।




খোঙচৎ অদুনা ইস্লামাবাদপু মমৈ থংদা গ্রে লৈবাকশিংগী লিষ্টতগী লৌথোক্লবগী লম্বী ফাৎলবা য়াই হায়না লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

এক্সপ্রেস ট্রিব্যুনগী রিপোর্টনা হায়, এফ এ টি এফকী মেম্বর ১৫ গী টিমগী খোঙচৎতা লাকখিবা ৱারোইশিন অদু লাক্লিবা ওক্তোবরদা পেরিসতা পাঙথোক্কদৌরিবা এফ এ টি এফকী মীটিংদা রিভিয়ু তৌগনি অমসুং খন্ন-নৈনগনি।

টিম অদুগী ওনসাইদ খোঙচৎ অদুগী ফাইন্দিংশিং পোজিটিব ওইখি। মসিনা পাকিষ্টানবু মমৈথংদা লৈবাক অসিগী সিষ্টেমদা লৈরম্বা অশোয়বশিং খঙজহন্দুনা টেরর ফাইনান্সশিং অমসুং মনি লোন্দরিংগী থবকশিং হন্থহল্লগনি হায়রি।

ওফিসল সোর্সশিংগী মতুং ইন্না ষ্টেট গেষ্ট প্রোটোকোলগী মতুং ইন্না ইকায় খুম্নখিবা এফ এ টি এফকী টিম অদু পাকিষ্টানদা ওগষ্ট ২৯ দগী সেপ্টেম্বর ২ ফাওবা লৈখি। মেম্বর ১৫ গী এফ এ টি এফকী টিম অদুবু লৈফম চাফম অমদি চথোক চৎশিনগী খুদোংচাবা ফঙহন্নবগীদমক্তগা ইকনোমিক কোওর্দিনেসন কম্মিটি (ইসিসি) না এফ এ টি এফ সেক্রেটেরিএটকীদমক লুপা মিলিয়ন ৭ কী অহেনবা গ্রান্ট এপ্রুভ তৌখি।

ওফিসল খোঙচৎ অদু লোম্না থুপ্পা পাঙথোকখিবা অমা ওইরবসু এফ এ টি এফকী দেলিগেসন অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা মীফম কয়া পাঙথোকখি হায়বসি সোর্সশিংনা কনফার্ম তৌখি। লোয়নননা মনি লোন্দরিং অমসুং টেরর ফাইনান্সশিংগী ইস্যুগী মতাংদা মালেমগী ফাইনান্সিএল ৱাটচদোকশিংগী কন্দিসনশিং থুংহন্নবা পাকিষ্টাননা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং মখোয়না কুপ্না য়েংশিনখি।

হৌখিবা জুনদা এফ এ টি এফনা পাকিষ্টানদা লৈবাক অসিনা টাস্ক ফোর্স অসিগী পোইন্ট ৩৪ গী এক্সন প্লান ঙাকপনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিবু গ্রে লৈবাকশিংগী লিষ্টতগী লৌথোকপা য়ারগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি অমসুং ইস্লামাবাদনা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং অদু কনফার্ম তৌনবগীদমক টিম অমা থাননবা ৱারেপ লৌখি।

টেরর ফাইনান্সশিং অমসুং মনি লোন্দরিং লেপহনবগা মরী লৈনবা সিষ্টেমদা অশোয়বা কয়া লৈবগীদমক কুমজা ২০১৮ গী জুনদা পাকিষ্টানবু এফ এ টি এফনা গ্রে লিষ্টকী মনুং চলহনখি।

# মতিক ময়াই লৈরবা তাইফুন হিনামনোর জপানগী ওকিনৱা ঈথৎতা য়ৌরকখ্রে

টৌকিও, সেপ্টেম্বর ৪ (এজেন্সী):
মতিক ময়াই লৈরবা তাইফুন হিনামনোর জপানগী ওকিনৱা প্রিফেকচর ওকিনৱাগী খা থংবা শরুক্তা শাফু কন্না থুংখিবগা লোয়নননা ম্যুনিসিপালিটি অহুমগী রেসিদেন্সশিং শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোক্লবা ওর্দর তৌখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং ফাওবদা নোংলৈ নুংশিৎকী সিজনগী ১১ শুবা ওইরিবা তাইফুন অদুনা ওকিনৱা প্রিফেকচরগী মিয়াকোজিমা অমসুং ইসিগাক্কী য়ুম ৩০০০ হেনবগী মৈগী সপ্লাই লেপহনখি। নাহাদা নুপী অমা অশোক অপন নঙখি।

জপান মেটরিওলোজিকেল এজেন্সি (জে এম এ) না লৈবাক অসিগী খা ইথং থংবা প্রিফেকচর অসিগা মরী লৈননা অকনবা নুংশিৎশিং শিৎলক্কনি অমদি অৱাংবা ঈথক ঈপোমশিং কারক্কনি হায়না ৱার্নিং তৌরদুনা রেসিদেন্টশিং শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোক্লবা খঙহনখি।

থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৬ ফাওবদা তাইফুন হিনামনোর ইসিগাক্কী ঈথৎকী খা নোংপোকলোমদা কিলোমিটর ৮০ রোম লাপ্পা মফমদা পুংদা কিমি ১৫ গী খোঙজেলগা লোয়নননা অৱাং পাংনা শিৎখি।

তাইফুন অসিগী সেন্ট্রেল প্রেসর হেক্তো পেস্কেল ৯৫৫ ওইখি অমসুং মসিগী নুংশিৎকী স্পিদ সেন্টর ময়াদা সেকেন্দ অমদা মিটর ৪০ ওইখি অমসুং খ্বাইদগী কনবা স্পিদনা সেকেন্দ অমদা মিটর ৬০ ফাওবা য়ৌখি।

তাইফুন অসিনা মসিগী লম্বীদগী থাপ্না লৈবা মফমশিংবুসু ষ্টেবল ওইদবা এটমোস্ফেরিক কন্দিসনশিং লাকহনগনি হায়নসু জেএমএনা ৱার্নিং তৌখি।

জে এম এগী মতুং ইন্না নিংথৌ-কাবা নুমিৎ ফাওবদা জপানগী মফম কয়াদা নোং কন্না চুদুনা লেন্দ স্লাইদশিং ঈশিং ঈচাওশিং থোক্লকপা য়াই অমদি তুরেলগী ঈমায়শিং ৱাংখৎলক্কনি।

তাইফুন অসি নোংমাইজিংদগীনা নিংথৌকাবা ফাওবগী মনুংদা অৱাং পাংনা ইষ্ট চাইনা সী তম্না চৎখিবা য়াই অমসুং মদুগী মতুং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৈবাক অসিগী খা নোংচুপ থংবা ক্যুসু রিজন পাঙখিগনি।

চাইনানা থাংজ নুমিত্তা ঈশিং ঈচাও অমসুং তাইফুন কন্ট্রোলগা মরী লৈনবা লৈবাক অসিগী ইমজেন্সি রেস্পোন্স অহুমশুবা লেভেলদা হেনগৎহনখি।

# হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবসকী স্পিকরনা হায়জবদগী চাইনাগী টোপ লেজিসলেটর নেপালদা চৎলগনি

কাঠমান্দু, সেপ্টেম্বর ৪ (এজেন্সী):
চাইনাগী টোপ লেজিসলেটর অমসুং ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওফ ড নেসনেল পিপলস কংগ্রেস ওফ ড পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনাগী চিয়ারমেন লি জান্সু সেপ্টেম্বর ১২ দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবা খোঙচৎ অমদা নেপালদা লাক্লগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা কাঠমান্দুদা ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা লাউথোকখ্রে।

নেপালগী হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবসকী স্পিকর অগ্নি প্রসাদ সাফকোতানা হায়জবদগী চাইনাগী টোপ লেজিসলেটর অসিনা নেপালগী খোঙচৎ অদু পাঙথোক্কদৌরিবনি।

চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপিংগা নকশিন্নবা লেজিসলেটর লি অসি চাইনাগী খ্বাইদগী মরু ওইবা ৱারেপ লৌবগী বোদি ওইরিবা চাইনিজ কম্যুনিষ্ট পার্টিগী পোলিট ব্যুরো ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী অহুমশুবা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী মীশক্লি অমদি প্রসিদেন্ট সি অমসুং প্রিমিয়র লি কেকিয়াংগী হেক মথংদা অহুমশুবা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী লিদরনা লেজিসলেটর অসিগী খোঙচৎ অসি লাক্লিবা ওক্তোবরদা পাঙথোক্কদৌরিবা চাইনিজ কম্যুনিষ্ট পার্টিগী ২০ শুবা নেসনেল কংগ্রেস হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা চৎকদৌরিবনি।

নেসনেল কংগ্রেস অসিনা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপিংগী টার্ম অমগসু অমুক শাংদোকহল্লগনি হায়না থাজনরি।

অমরোমদা, খোঙচৎ অসি নবেম্বর ২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা নেপালগী জেনরেল অমসুং প্রোভিন্সিএল ইলেক্সনগী মাঙওইননা পাঙথোক্কদৌরিবনি। চাইনিজ লিদরশিপনা নেপালিষ্ট কম্যুনিষ্ট লিদরশিপবু মরু ওইনা সিপিএন-য়ুএমএল অমদি সিপিএন (মাওইষ্ট সেন্টর) বু মীখল থেংননবা এল্লায়ন্স শেম্নবা পুক্নিং থৌগৎতুনা লাক্লিবনি।


স্পিকর সাপকোটা অমসুং লিনা সেপ্টেম্বর ১২ দা বাই লেটরেল দিস্কসন পাঙথোক্কনি। সাপকোটানা নুমিৎ অসিগী নুমিদাংদা লি অমসুং মহাক্কী দেলিগেসনগী অতৈ পার্টিসিপেন্টশিংবু ইকায় খুম্নবা দিন্নর অমসু লাংগনি।

হৌখিবা চহীদা কাঠমান্দুদা সের বহাদুর দ্যুবাগী গভর্ণমেন্ট শেমখিবদগী হিমালয়ন লৈবাক অসি চাইনিজ লিদরশিংনা খ্বাইদগী চৎপা লৈবাক অমা ওইরকখি। হৌখিবা মার্চতা চাইনাগী ষ্টেট কাউন্সিল্লরসু ওইরিবা ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং লিসু কাঠমান্দুদা লাকখি অমসুং মহাক্না নেপালগী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী পোলিটিকেল লিদরশিংগা লোয়নননা তোঙান তোঙানবা লমশিংগী বাইলেটরেল মরীগী মতাঙদা খন্ন-নৈনখি।

মদুগী মতুং জুলাই থাদা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ চাইনা (সিপিসি) গী ফোরেন দিপার্টমেন্ট চীফ লিয়ু জিয়ান চাও কাঠমান্দুদা থুংখি অমসুং মহাক্না কম্যুনিষ্ট পার্টিগী লুচিংবশিং য়াওনা মরু ওইবা পোলিটিকেল প্লেয়র পুম্নমক্কা ৱারী শান্নখি। হৌখিবা ওগষ্টতা নেপালগী ফোরেন মিনিষ্টর নরায়ন খটকা চাইনাগী কিংদাওদা খোঙচৎ অমা চৎখি অমসুং মহাক্না চাইনাগী মহাক্কী লেঙমান্নবা ৱাংগা উন্নখি অমসুং হন্দক্তা টাইৱান ষ্ট্রেটকা মরী লৈননা চাইনা অমসুং য়ুএসকী মরক্তা উংখৎনখিবা য়াওনা মখল মখা কয়াগী বাইলেটরেল ইস্যুশিং খন্নখি।

নেপালগী খোঙচৎ অদুদা লিনা প্রসিদেন্ট বিদিয়া দেবী বন্দারি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর সের বহাদুর দ্যুবাগসু উন্নগনি। মহাক্না নেসনেল এসেমব্লিগী চিয়ারপার্সন গানেস প্রসাদ তামিল সিনা অমসুং ফোরেন এফিয়র্স মিনিষ্টর নরায়ন খটকাগসু উন্নগনি।

# বাংলাদেশকী পিএম সেখ হাসিনা মতম অমদা দিল্লিদা লোন্না লৈখি



ধাকা, সেপ্টেম্বর ৪ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াদা চৎকদবা নুমিৎ মরিনিগী খোঙচৎ নোংমা মাঙওইননা বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর সেখ হাসিনানা হায়খ্রে, মহাক মতম অমদা দিল্লিগী পন্দরা রোদতা মমিং হোংদোক্তুনা মচাশিংগা লোয়নননা লোন্না লেনখি।

মহাক্কী অপোকপা সেখ মজিবুর রেহমনবু হাৎখিবা মীওইশিং অদুগী মীৎয়েংদগী নাম্থোক্লবা হোৎনরদুনা মহাক্না দিল্লিগী মফম অদুদা লোন্না থুপ্পা লৈখিবনি। মদুগী মতুং চহী ৫০ মুক কান্নরগা হাসিনানা টেলিভিজন ইন্টরভিয়ু অমদা মহাক্না লিশাং শিংনা মায়োক্লরকখিবা অৱাবা কয়া পাউদমখি।

ইন্টরভিয়ু অদুদা মথম্মোয় শোক্না মমাঙঙৈগী থৌদোকশিং নীংশিংলদুনা হাসিনানা বাংলাদেশ থাদোক্তুনা জর্মর্নিদা লৈরিবা ন্যুক্লিয়র সাইন্টিষ্ট অমা ওইরিবা মহাক্কী মপুরোইবগী মনাক্তা চৎনবা হোৎনখিবা কুমজা ১৯৭৫ গী থৌদোকশিং ময়েক শেংনা পাউদমখি।

কুমজা ১৯৭৫ গী জুলাই ৩০ দা মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংনা মহাক অমদি মহাক্কী মনাওনুপীবু এয়রপোর্টতা থিন্দোকখি। মদু মহাক্না মমা-মপা অমদি অতৈ ইমুংগী মীওইশিংগা উন্নবগী ইরোই লোইবা থৌদোক ওইখি হায়না হাসিনানা নুংনাংবা উৎলদুনা ফোঙদোকখি।

মদুগী মতুং থাখায় অমরোম কান্নরগা হায়বদি ওগষ্ট ১৫ গী অয়ুক্তা মহাক্কী অপোকপা বঙ্গবন্দু সেখ মুজিবুর রাহমন হাৎখ্রে হায়বগী পাউ মহাক্না থমখি।

মদুগী মতুংদসু মহাকপু হেন্না মীপায়হনখিবা অমদি হঙ্গোইহনখিবগী মহাক্কী ইমুংগী অতৈ মীওই খরসু ৱায়েল চখ্থবা তৌদনা হাৎখ্রে হায়বগী পাউ মখা তানা হাসিনানা তাখি। মতম অদুগী থৌদোকশিং নীংশিংলদুনা হাসিনানা হায়খি, মদুদি অৱাবগী মশক ওইরবা মতম অদুদা মতেং পাঙলকখিবা অহানবা লৈবাক খরগী মনুংদা ইন্দিয়াসু অমনি। মতমদুদা ইন্দিরা গান্ধীনা খুদক্তা ঐখোয়বু সেক্যুরিটি অমসুং লৈফমগী মতাংদা মতেং পাঙবা পাম্মী হায়না খঙহল্লকখি।

অতৈ মতেংগী ওফরশিং য়ুগোস্লোবিয়াগী মার্সেল টিটোদগীসু লাকখি। মমৈথংদা ঐখোয়না বাংলাদেশতা অমুক হন্না চৎপদা হেন্না খুদোংচাগদবা দিল্লিদা লৈননবা ৱারেপ লৌখি হায়না বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ওং সান সু চি অহেনবা চহী ৩ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে

য়াঙ্গোন, সেপ্টেম্বর ৪ (এজেন্সী):
কুমজা ২০২০ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা অরান অহুই অমদি নমথাক্কী থৌওং কয়া চখ্থবগী মরালদা ম্যান্মারগী হান্নগী ষ্টেট কাউন্সিল্লর ওং সান সু চি মখা তানা চহী অহুম অমগসু জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখিবগা লোয়নননা মহাক্কী জেলদা লৈবগী মতম পুন্না চহী ২০ য়ৌরে হায়না ম্যান্মারগী ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসন কাউন্সিলগী ইনফোর্মেসন টিম্না ফোঙদোকখ্রে।



ওং সান সু চি অমসুং হান্নগী প্রসিদেন্ট য়ু ৱি মিন অমদি হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর য়ু মিন টু মীখলদা নমথাক তৌবগী মরাল লৈরমখি। মসিগী মমাঙদা ম্যান্মারগী লুচিংবী অসিবু করপসন, মীয়াম্বু ইরাং হৌহন্নবা ইথিল পীবা, নেচরেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট লো থুগায়বা, এক্সপোর্ট এন্দ ইম্পোর্ট লো খোঙ্গাওনবা অমসুং কম্যুনিকেসন লো থুগায়বা য়াওনা মখল মখা কয়াগী চার্জশিংদা কনভিক্সন পীখি।

ম্যান্মারগী লুচিংবী অসিবু চহী অহুম মখা তানা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখিবা মতুং নুমিৎ নীনি কান্নরগা ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসন কাউন্সিলগী ইনফোর্মেসন টিম্না খোঙথাং অসিবু কনফার্ম তৌখিবনি।

ইনফোর্মেসন টিম্না থাংজ নুমিৎতা হায়খি, মদুদি এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, মহাক হান্না ওফেন্সশিং অসিগা মরী লৈননা চহী ১৭ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রবনি। হৌজিক্না মখা তানা চহী অহুমগী জেলগী চৈরাকসু পীখিবগা লোয়নননা মহাক্না জেলদা লৈবগী মতম চহী ২০ শুরগনি।

কুমজা ২০২১ গী ফেব্রুৱারী ১ দা য়ু ৱি মিন, সু চি অমসুং নেসনেল লিগ ফোর দিমোক্রেসিগী সেনিয়র ওফিসল খরা মিলিটরিনা দিটেন্দ তৌখি।

সু চিগী মায়োক্তা শীরিবা অহেনবা মরালশিংগা মরী লৈননা মখা তানা ৱায়েল চখ্থিগনি হায়রি।

# মিসিসিপিগী ৱালমার্টতা প্লেন পাইশিন্দুনা অমাঙ অতা থোকহনগনি হায়না কিহনখিবা পাইলোট টেরর চার্জশিং মায়োক্লরি

মিসিসিপি, সেপ্টেম্বর ৪ (এজেন্সী):
মিসিসিপিদা লৈবা ৱালমার্টতা প্লেন পাইশিন্দুনা অমাঙ অতা থোকহনগনি হায়না কিহনখিবা জেট পাইলোট অমা টেররগা মরী লৈননা মরাল কয়া শীখ্রে।

লোকেল পুলিসকী মতুং ইন্না পুলিস কষ্টদিদা লৈরবা নুপা অদু হুরানবগী থবক চাওনা পাঙথোকপা অমসুং টেররিষ্ট থ্রেটশিং পীবগী মরাল শীরি। ফেদরেল গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা ফেদরেল চার্জশিংগা লোয়নননা মীওই অসিগী মায়োক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎলগনি হায়না টোপেলোগী পুলিস চীফ জেন ক্বাকানা প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি।

পুলিস চীফ অসিনা হায়খি, মদুদি কোরি পেটরসন কৌবা জেট পাইলোট অসিনা টোপেলোগী এয়রপোর্টতগী ইঞ্জিন অনী পানবা কিং এয়রগী জেট অমা হুরানখি অমদি মদু পুংখরা টাউন অদুগী নোংথক্তা পাইদুনা টাউন অদুগী মীয়ামদা অকিবা পোকহনখি। মমৈথংদা মহাক ফিল্ড অমদা লেন্দিং তৌরবা মতুংদা পুলিসনা মহাকপু ফাখি।

এয়রক্রাফট অদুগী পাইলোটনা টোপেলোগী ৱালমার্টতা পাইশিন্দুনা অমাঙ অতা অমদি মীশিমীনা থোকহনগনি হায়না কিহনখিবা মতুংদা ষ্টোর অদুদা লৈরিবা মীওইশিং নমদুনা শাফগদবা মফমদা হোংদোকহনখি হায়না টোপেলো পুলিস দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০২২ গী মার্চ ৯ গী অয়ুক পুং ৫ রোম তাবা মতমদা কিং এয়র টাইটকী এয়রপ্লেন অমগী পাইলোট অমনা মহাক্কী প্লেন টোপেলোগী নোংথক্তা কোইপাই পাইদুনা লৈরে হায়না টিপিদিদা পাউ পীরকখি হায়না পুলিস ওফিসার অসিনা ফেসবুক্তা ইখি।

পুলিসকী মতুং ইন্না পাইলোট অদুনা ই ৯১১ দা কন্টেক্ট তৌরকখি অমদি ৱেষ্ট মেইনদা লৈরিবা ৱালমার্টতা অতম্নানা পাইশিন্দুনা অমাঙ অতা থোকহনগনি হায়না কিহল্লকখি।

ক্বাকানা হায়খি, মদুদি মীওই অদু চহী তরা চুপ্পা টোপেলোগী এভিএসনগী এমপ্লোয়ি অমা ওইদুনা জেটশিংদা থাও হানবগী থবক তৌরকখি। মহাক ফ্লাইট ইন্সট্রক্সন খরদগী পাইবগী নোলেজ লৈরবসু লাইসেন্সতি পায়খিদে। মহাক্না জেট অদু ইরাই নুমিৎকী অহিংদা থাউ ফুলদা হাল্লবা মতুং মথংগী নুমিৎ হায়বদি থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা হুরানখিবনি। মহাক্না এয়রক্রাফট অদু হুরাল্লবা মতুংদা ৯১১ দা কন্টেক্ট তৌরকখি অমদি প্লেন অদু ৱালমার্ট অমদা পাইশিন্দুনা অমাঙ অতা থোকহনগনি হায়না কিহল্লকখি। মহাক্কী থ্রেট অদুনা মরম ওইদুনা ষ্টোর অদুদা অমদি অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিং লাপ্না হোংদোকহনখি।

মমৈথংদা মহাকপু ৱাখল তাহন্দুনা প্লেন অদু লেন্দিং তৌহন্নবা হোৎনখি অমদি লেন্দিংগী এক্সপরিএন্স লৈতবা মহাকপু প্রাইভেট পাইলোট অমনা মতেং পাংদুনা ফিল্ড অমদা তাহনখি হায়না পুলিস চীফ অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# চাইনাগী ৱার প্লেন ৪, জহাজ ৫ টাইৱান ষ্ট্রেটকী মেদিয়ন লাইন লানখ্রে



টাইপৈ, সেপ্টেম্বর ৪ (এজেন্সী):
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা তুংদা টাইৱানদা য়োনগদবা দোল্লর বিলিয়ন ১.১ গী খুৎলায়গী পেকেজ এপ্রুভ তৌখ্রবা মতুংদা চাইনিজ মিলিটরিগী এয়রক্রাফট মরি অমসুং নেভিগী জহাজ মঙা টাইৱান ষ্ট্রেটকী মেদিয়ন লাইন লানখ্রে।

টাইৱানগী মিনিষ্ট্রি ওফ নেসনেল দিফেন্সনা ফোঙদোকখিবদা মিনিষ্ট্রি অসিনা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৫ ফাওবদা ঈথৎ অদুগী অকোয়বদা চাইনিজ মিলিটরিগী এয়রক্রাফট মরি অমসুং জহাজ মঙা ট্রেক্কিং তৌখি।

টাইৱানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ত্বিটর পোষ্টতা হায়খি, মদুদি পিপলস লিভরেসন আর্মি এয়রফোর্স (পি এল এ এ এফ) কী চেংদু জে-১০ মল্টি-রোল কম্বেট এয়রক্রাফট অনী টাইৱান ষ্ট্রেটকী খা ইথং থংবা শরুক্কী মেদিয়ন লাইন লানখি।

টাইৱাননা রেদিও ৱার্নিংশিং ইস্যু তৌখিবগা লোয়নননা চাইনিজ এক্তিভিটিশিং অদুবু মোনিটর তৌনবা অমদি এক্তিভিটিশিং অদুগী মায়োক্তা রেস্পোন্দ তৌননবা কম্বেট এয়র পেট্রোলস (সিএপি), নেভিগী জহাজশিং অমসুং এয়র দিফেন্স মিসাইল সিষ্টেমশিংদা খঙহনখি।

চাইনিজ এয়রক্রাফট অমদি জহাজশিংনা টাইৱান ষ্ট্রেটকী মেদিয়ন লাইন লানশিল্লকখিবদু য়ুএসনা ঈথৎ অসিদা দোল্লর বিলিয়ন ১.১৭ লোমগী খুৎলায়শিং য়োনবা য়ারগনি হায়না লাউথোকখিবা মতুংদনি। দিল অদুদা হার্পুন এন্টি-শিপ মিসাইলশিং, সাইট ৱিন্দর সোর্ট-রেঞ্জ এয়র-টু-এয়র মিসাইলশিং অমদি রাদর ইক্বিপমেন্ট য়াওরি।

করিগুম্বা য়ুএসনা খ্বাইদগী নৌবা খুৎলায়গী এগ্রিমেন্ট অদু কেন্সেল তৌদবা তারবদি মদুগী মায়োক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎকনি হায়না ৱাশিংতনদা লৈবা চাইনাগী এম্বেসিনা চেকশিনৱা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, টাইৱানগী প্রসিদেন্সিএল ওফিস অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসনবু ঈথৎ লৈবাক অদুগী ঙাকশেলগী মথৌ তাবশিং ফঙহনবদা চাওনা মতেং পাঙবীবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়না টাইৱান ন্যুজকী রিপোর্টতা পনখি।